য়ু এস প্রসিদেন্টগী মীখলদা ভোটর মিলিয়ন ৮০ হেনবনা মাঙজৌননা ভোট থাদখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী):

অমেরিকান মিলিয়ন ৮০ দগী হেনবনা হন্দক্কী য়ু এস প্রসিদেন্টগী মীখলদা মাঙজৌননা ভোট থাদনখ্রে হায়বসি শগোলশেল নুমিত্তা য়ুনিভর্সিটি ওফ ফ্লোরিদাগী য়ু এস ইলেক্সন প্রোজেক্টকী মতুং ইন্না খঙবা ঙমখ্রে।

মসিনা চহী ১০০ হেনবগী মনুংদা অমেরিকান ভোটরশিংনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না মীখলদা শরুক য়াবা মতাং অমা ওইখ্রে।

কুমজা ২০১৬ তা ভোট থাদনখিবা অপুনবা ভোটর মশিংগী চাদা ৫৮ হেন্দুনা অনৌবা রেকোর্দ ওইবা মওংদা ভোটরশিং ঙন্না ভোট থাদনখিবা অসিনা মীখল অসিদা অমেরিকানশিংনা কয়া য়াম্না থৱায় য়াওবগে হায়বা উৎলি। মীখল অসিদা রিপব্লিকান অমা ওইরিবা হৌজিক-হৌজিক ফম পায়রিবা দোনাল্ড ট্রম্পনা হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমা ওইরম্বা দেমোক্রেটিক নোমিনি জো বাইদেনগা লন্বী তৌনরি।

মীখল নুমিৎ (নবেম্বর৩)দা মী চিল্লবা ভোট থাদফমশিংদা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈরিঙৈসিদা মশিং য়াল্লবা মীওইশিংনা মেইলগী খুত্থাংদা নৎত্রগা মশা-মশা লাক্লদুনা পোলিং মফমশিংদা ভোট থানখি। ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না কোভিদ-১৯গী ক্রাইসিস অসিবু থেংনবগী মওং অয়াম্বা ভোটরশিংনা য়ানদবনা মরম ওইদুনা নেসনল ওপিনিয়ন পোলশিংদা বাইদেননা ট্রম্পতগী হেন্দুনা চৎলি। শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা হৌজিক ফাওবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মীওই ২২৭,০০০ হেনবগী পুন্সি লোমখ্রে। মীখল নুমিৎ লৈবাকপোকপা থোরক্কদবা কুইদ্রবা মতম অসিদা লৈবাক অসিদা নোংমদা থেংনবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস মশিং অমুক হন্না রোকোর্দ ওইবা মওংদা ৱাংখি।

ঙন্না ভোট থাদনবগী মতাং অসিদা দেমোক্রেটশিং রিপব্লিকানশিংদগী য়াম্না হেন্না ফিভম ফনা লৈ হায়বা য়াই। মসি মরু ওইনা মখোয়না পোষ্টকী খুত্থাংদা ভোট থাদবা অসিবু পুক্লিং থৌগৎখিবদগীনি। রিপব্লিকানশিংনা মহৌশাদগী অসুম্না ভোট থাদবা য়াহল্লকখিবা ওইরবসু ট্রম্পনা মরম ইচা চাদনা অমসুং হঞ্জিন-হঞ্জিন্না থৌওং অসিদা য়ানিংদবা উৎপদগী মেইলগী খুত্থাংদা পাক শন্না ভোট থাদবদা অথিংবা থমখি। ট্রম্পনা হায়রিবদি সিষ্টেম অসিনা ভোটতা পাক-শন্না নমথাক তৌবা য়াহনগনি হায়বসিনি।

হন্দক্কী মীখল অসিদা ভোটরশিংগী মশিং কুমজা ২০১৬দা ভোট থাদখিবা মিলিয়ন ১৩৮ দগী ইরায় লায়না হনগনি হায়না এক্সপার্টশিংনা মাঙজৌননা লাউথোকপা লৈখ্রে।

লৌউ-শিংঊগী পোত্থোক লৈরগনি

টেল অভিভ, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী):

ইজরেলগী লৌমীশিং অমসুং কম্পনিশিং হৌজিক য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস (য়ু এ ঈ)দা লৌউ-শিংঊগী পোত্থোকশিং থাদোকপা য়ানবগী পার্মিসন পায়রে হায়রি।

নাকল্ল অনীগী ওফিসলশিংগী মরক্তা ৱারী শান্নবা, য়ু এ ঈগী মিনিষ্ট্রি ওফ ক্লাইমেদ চেঞ্জ এন্দ ইনভাইরনমেন্টকা তোয়না পাউ ফাওনবা অমদি তাথোক-তাশিন তৌনবা য়াওনা নাকল্ল অনীনা কন্না হোৎনবদগী য়ু এ ঈগী ওথোরিটিশিংনা ইজরেলদা লোকপা কুইদ্রবা লৌউ-শিংঊগী পোত্থোকশিং অমসুং মহৈ-মরোংশিংগী মৰূশিং এক্সপোর্ট তৌনবগী ওফিসল এপ্রুভেল পীরক্লে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ইজরেলগী মিনিষ্ট্রি ওপ এগ্রীকলচরগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

পামদবা তমথিবা ত্বিট থাগৎলকপগী ফ্রন্সনা মহাঠিরগী একাউন্ট থীংজিন্নবা তকশিনখ্রে

পেরিস, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী): মী হাৎপা-তুপ্পা, মাঙহন-তাকহনবগী থৌওংশিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ৱাহৈ-ৱাতা য়াওবা ত্বিট অম হান্নগী মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মহাঠির মোহম্মদনা থাগৎলকপদু ত্বিটরনা লৌথোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং ফ্রন্সনদি সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্ম অসিদা হাংলিবা মহাক্কী একাউন্ট থীংজিন্নবা দিমান্দ তৌরি।

মালেসিয়াগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা শগোলশেল নুমিত্তা মুস্লমশিংনা শাওবগী অমসুং ফ্রন্সকী মীওই মিলিয়ন কয়া হাৎপা য়াবগী রাইট লৈ হায়না ফোঙদোরকখিবদা মালেমগী মফম কয়াদগী ৱাফম অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখিবনি। ৱাফম অসি ত্বিটরগী রুলশিংগী মায়োক্তনি হায়রদুনা আসল মিদিয়া প্লেটফোর্ম অসিনা মহাঠিরগী ত্বিট অদুবু লৌথোকখি।

ফ্রন্সকী জুনিয়র দিজিটেল এফেয়রস মিনিষ্টর সেদ্রিক ওনা শগোশেল নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না ফ্রন্সতা লৈরিবা ত্বিটরগী মেনেজিং দিরেক্টরগা ৱারী শানদুনা মহাঠিরগী ওফিসল একাউন্ট খুদক্তা থীংজিন্নবা তকশিনখ্রে। হায়রিবসি তৌদবা তারবদি ত্বিটরসু মী হাৎপগী থবক্তা মতেং পাংই হায়না লৌগনি হায়না মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

ফ্রান্সতা ‘অলাহু অকবর’ হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন্না লাউখিবা টেররিষ্ট অমনা শগোলশেল নুমিত্তা অতোপ্পা ফ্রেঞ্চ অমসু মঙক কক্তুনা হাৎখিবা মতুং শুপ্নগী পুং খরগী মনুংদা মহাঠিরনা পরিং নাইনা থাগৎলকখিবা ত্বিটশিংদা চার্লি হেবদোনা পুথোকখিবা প্রোফেট মোহম্মদকী কেরিকচরশিংগা মরী লৈননা মুস্লিমশিংনা শাওদুনা মী হাৎপা অমদি মাঙহন-তাকহনবগী থৌওংশিং চত্থবসি য়াম্না চুম্মী হায়খি। খোইরাং-খোইশাওরবা মুস্লিম অমনা তৌখিবগা মরী লৈননা নখোয়না মুস্লিমশিং অমসুং মুস্লিমশিংগী লাইনিং লন্বীদা মরাল থংজিনখিবা ওইবনা মুস্লিমশিংনা ফ্রেঞ্চ মীয়াম্বু চৈরাক পীবগী হক লৈ হায়রদুনা মালেসিয়াগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ফ্রান্সতা ৱার্নিং তৌখিবনি।

ত্বিটশিং অদুদা মহাঠিরনা নোংচুপ্লোমগী কলচরসু কন্না য়ানিংদবা উৎখি।

রেইদ চত্থরিবা এন আই এগী ওফিসলশিংদা অথিংবা পীরুবদগী এ এ পিগী এম এল এ বুক তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী):

দিল্লি মাইনোরিটি কম্মিসনগী হান্নগী চীফ জফারু ইস্লাম খান্না মকোক ওইবা চেরিটি এলায়ন্সকী ওফিসকী শরুকশিংদা নেসেনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)গী মীওইশিংনা রেইদ চত্থরিঙৈ মনুংদা অয়েৎ-অপন কয়া পীরকখি হায়না মরাল শীরদুনা এন্টি-টেরর প্রোব এজেন্সি অসিনা কমপ্লেন্ট তৌরকপদগী দিল্লি পুলিসনা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)গী লেজিসলেটর অমা নাতুলাহ খান বুক তৌখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা এন আই এগী ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (দি এস পি)না সহীন বাঘ পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অদুদা য়ুন্ফম ওইরগা গভর্নমেন্টকী ওফিসরশিংগী থবক্তা অয়েৎ-অপন পীবদগীদমক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী)গী সেক্সন কয়াগী মখাদা খানগী মায়োক্তা কেস অমা পানশিনখি।

এন আই এগী সোর্স মতুং ইন্না শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিদা সাউথ দিল্লিগী জমিয়া নগর এরিয়াদা লৈবা জফরুল ইস্লাম খান্না মকোক ওইবা চেরিটি এলায়ন্সকী ওফিসকী মপান্দা খান অমসুং মহাকপু শৌগৎপশিং পুন্দুনা লৈখি অমসুং মখোয়না এন আই এগী ওফিসরশিংগী লন্বী থীংনবা হোৎনখি। কথোকপগী ওইবা থবকশিংগী মিংদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা চত্থরিবা তোখায়না তানবা হোৎনবগী থবক থৌরমশিংগা মরী লৈননা খোমগৎখিবা শেনফমশিং শীজিন্নখি হায়বা এন জি ওশিংগী মায়োক্তা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা থংন-থংননা নিনি চনবা নুমিত্তা পায়খৎখিবা থবক্কী শরুক ওইনা এন আই এনা রেইদশিংদু পাঙথোকখিবনি।

এন আই এনা শগোলশেল নুমিত্তা জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং দিল্লিগী মফম ৯দা থীবা-হুন্বা চত্থখি। থীবা-হুন্বা চত্থখিবা মফমশিং অদুদি চেরিটি এলায়ন্সসসু য়াওরিবা এন জি ও অমসুং ট্রষ্ট তরুক্কী ওফিসশিংনি। থী-হুন্বা চত্থবদুদা এন আই এনা লালহৌবগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং অমসুং ইলেক্ট্রোনিক দিভাইসশিং ফাগৎখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

এন আই এগী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না এন্টি-টেরর প্রোব এজেন্সি অসিনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসি তোখায়না তাবা পাম্বা গ্রুপশিং ফন্দিং তৌবা থীংনবা হোৎনরপগী শরুক অমনি।

আর টি-পি সী আর, রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টশিংগী মমল হন্থহনখ্রে

গুরুগ্রাম, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী):

হরিয়ানা গভর্নমেন্টনা প্রাইভেট লেবোরেটরিশিংদা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন খঙদোক্লবগী আর টি-পি সী আর অমসুং রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টশিং তৌবগী মমলশিং মথংশিংনা লুপা ৯০০ অমসুং লুপা ৫০০ দা হন্থহনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি রাজিভ অরোরানা ওর্দর অমা থোকখি। হান্নদি প্রাইভেট লেবোরেটরিশিংনা আর টি-পি সী আর অমসুং রেদিপ এন্টিজেন টেষ্টশিং পাংথোকপদা মথংশিংনা লুপা ১,২০০ অমসুং লুপা ৮৫০ লৌরম্বনি। হরিয়ানা গভর্নমেন্টনা প্রাইভেট লেবশিংদা টেষ্ট তৌবগী মমলশিং হন্থহনবসি মসিনা অহুল্লক শুবনি। থা অসিগী ৩ দা ষ্টেটকী মমল লুপা ১,৬০০ দগী লুপা ১,২০০ দা হন্থহনখি।

হেল্থ ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না এক্সপার্টশিংগা তানরবা মতুংদা টেষ্টকী মমলশিং অসি নৌনা অমুক লেপ্পনি। প্রাইভেট লেবোরেটরিশিং অদুদা মীনা ইরায় লায়না উগদবা মওংদা রেটশিং উৎনবসু খঙহনখ্রে। মমল অসি হরিয়ানাদা লৈবা মীওইশিংখক্তদা চৎনগনি। মসিনা মীয়াম্বু পুক্লিং থৌগৎতুনা টেষ্ট হেন্না পাঙথোকহল্লগনি হায়না চীফ মেদিকেল ওফিসর ভিরেন্দর য়াদবনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া, চাইনানা ৮ লকশুবা ওইনা মিলিটরি ৱারী শানরগনি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী): ইষ্টর্ন লদাখগী বোর্দরগী য়েৎনবশিং লৈখায় তানবগী পান্দমগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মিলিটরি দেলিগেটশিংনা মথংগী চয়োলদা নিপাল্লকশুবা ওইনা ৱারী শানরগনি। মমাংদা নাকল অনীনা শান্নখিবা ৱারী য়ানবা অমত্তা পুরক্তনা লোইশিনখিবগা লোয়ননা নীংথমথা চঙললক্লফাওবদা লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোল (এল এ সী) পরিংদা উংখৎনবা হন্থবগী মওং লৈখিদে অমসুং লাম্মীশিংনা সেলসিয়স দিগ্রি মাইনস ৩০গী অঙৗংবা মায়োক্লবা তাখি।

হন্দক্কী ৱারী শানবা অসিদা ইন্দিয়ন মিলিটরি দেলিগেসন অদু লেফটনেন্ট জেনরেল পি জি কে মেনননা লুংচিগনি অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসকী জোইন্ট সেক্রেটরি নাতিন শ্রীভাষ্টাভাসু শরুক য়াগনি। লেফটনেন্ট জেনরেল হরিন্দর সিংহ ইন্দিয়ন মিলিটরি একাদেমি (আই এম এ)দা ট্রান্সফর তৌখ্রবা মতুং থা অসিগী ময়াই চনবা শরুক্তা মেনননা ১৪ শুবা কম্মান্দরগী চার্জ পায়খি। এল এ সীদা থা ৬ চুপ্পা লৈরক্লবা মুক্লবগী ফিভম লৈখায় তানবা হোৎনরদুনা লৈবাক অনীগী মকোক থোংবা মিলিটরি কম্মান্দরশিংনা তরেৎলক মীফম পাঙথোকখ্রবনি। মমাংগী মীফম অদু ওক্তোবর ১২ দা পাঙথোকখি। মীফম অদুসু য়ানবা পুরক্তনা লোইশিনখি।

য়ুহা হাবদা মীওই ৮ শিরে

ইষ্টানবুল, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী):

ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা এজিয়ন সীদা মেগনিট্যুদ ৭.০ য়ৌনা কন্না য়ুহা হাখিবদা টর্কি অমসুং গ্রীসতা য়ামদ্রবদা মীওই ৮ শিখ্রে। য়ুহা হাবা অদুনা লৈবাক অনীগী সমুদ্র মপানগী শরুকশিংদা বিল্ডিং কয়া নীংখায়হনখিবগা লোয়ননা সুনামি মচা অমা ফাওবা থোকহনখি হায়রি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, টর্কিগী নোংচুপ থংবা সমুদ্র খোংবানদা মীওই তরুক শিখি অমসুং গ্রীসকী ইথৎ সামোসতনা য়ুমগী ৱাল অমা নীংখায়রক্তুনা ননবদগী ইনখৎলক্লিবা নহা অনী শিখি। টর্কিগী সমুদ্র মপানগী ইজমির সিটিদা য়ামদ্রবদা বিল্ডিং ২০ অমাঙ-অতা থোকখি। য়ুহা হাবা অদু সামোস ইথৎকী নিওন কার্লোভেজন টাউনগী অৱাং নোংপোক্তা কিলোমিটর ১৪ লাপ্পা লৈবা সমুদ্রগী মফম অমদা কিলোমিটর ১০ খক লুথনা থোকখিবনি হায়রি।

মিজোরামনা অসামগা লোন্নবা বোর্দরদগী ফোর্সশিং লৌথোক্লোই: হোম মিনিষ্টর লালচমলিয়ানা

আইজোল, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী):

মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিল্লক্ত্রিফাওবা মিজোরাম গভর্নমেন্টনা অসামগা তাইনবা বোর্দরদগী ফোর্সশিং লৌথোক্লোই হায়না ষ্টেট অসিগী হোম মিনিষ্টর লালচমলিয়ানানা ফোঙদোকখ্রে।

অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মিজোরাম গভর্নমেন্টতা ঙমখৈগী লমশিংদগী ফোর্সশিং লৌথোক্লবা তকশিনখিবা মতুং মথংগী নুমিৎতা হোম মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

শগোলশেল নুমিত্তা বোর্দরদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা পাউ মীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা লালচমলিয়ানানা নৌহৌননা অমুক হায়খি মদুদি কুমজা ১৮৭৩ গী বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন (বি ঈ এফ আর)গী মখাদা ১৮৭৫ তা নোটিফাই তৌখিবা মিজোরাম অমসুং অসামগী থাঙ্গৈশেংবা ঙমখৈ খঙহনবা দিমার্কেসন মিজোরাম গভর্নমেন্যনা য়াখি। মদু মিজোরামশিংগী পারি-পুরীশিংগী হাক্তক্তগী য়ানদুনা লাক্লবা ষ্টেট অসিগী পুৱারীদা রেকোর্দ ওইরবা বাউন্দরিনি।

অসামগী ওফিসলশিংগী থৌইনশিনদগী লাইলাপুরগী মীওই খরনা নেসনল হায়ৱে ৩০৬কী লাইলাপুরদা অমসুং মিজোরামগী বাইৱারি ভিলেজগা অসামগী হায়লাকান্দি দিষ্ট্রিক্ট অমদি মিজোরামগী মামিট দিষ্ট্রিক্টকী মেদিলিগা শম্নরিবা হায়ৱেশিংদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী ব্লোকেদ চত্থরক্লি হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

হায়ৱেশিং থীংলিবদুগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা মিনিষ্টর অসিনা হায়খি মদুদি বোর্দরদা য়েৎনবগী ৱাফম অসিদা কাঙলুপনাইবগী মমি তাহল্লোইদবনি।

হৌজিক লৈরিবসি কাঙলুপকী ওইবা ৱাফম ওইদবনা ঙমখৈগী নাকল অনীমক্কী মীওইশিংনা নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নগদবনি। ইশ্যু অসিদি য়ুল্লোন্নরিবা ষ্টেট অনীগী গভর্নমেন্টশিংনা লৈখায় তান্নগদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

তঙাই ফদবা পোৎলমশিং মীয়ামদা ফংহনবগী থবক্তা অয়েৎ-অপন থোকহন্দনবগীদমক্তা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি হায়না লালচমলিয়ানা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা শগোলশেল নুমিত্তা কছার দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ট্রাকরশিংদা মিজোরামদা গাড়ি চঙবা হৌনবা খঙহনখ্রে।

ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না সোনাই সার্কলগী ওফিসর সুদিপ নাথনা শগোলশেল নুমিত্তা অসাম-মিজোরাম বোর্দরগা নক্লবা লাইলাপুরদা চত্তুনা লোকেল মীওইশিং অমসুং ট্রাক দ্রাভরশিংগা ৱারী শান্নখি।

লোনা য়াদবা মওংদা ষ্টাম্প পেপর য়োল্লে

গুৱাহাতি, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী):

গুৱাহাতি সিটিদা লৱার দিনোমিনেসনগী ষ্টাম্প পেপরশিং ফংবা ৱারকপদগী নারোন্দা ষ্টাম্প পেপর লল্লোনবগী থবক মায় পাক্লা চত্থরে হায়রি।

সিটি অসিগী দেপ্যুটি কম্মিসনরগী কোর্টমনাক্তা লুপা ১, লুপা ২, লুপা ৫, লুপা ১০, লুপা ৩০ অমসুং লুপা ৫০গী ষ্টাম্প পেপরশিং ইরাই লায়না ফংলক্ত্রে অদুগা ভেন্দরশিংদা লুপা ৫০০ গী ষ্টাম্প পেপরনা হেন্না য়োনবা থেংনরি। মখোয়না হৌজিক লুপা ২০গী ষ্টাম্প পেপরনা লুপা ৬০ দা অমসুং লুপা ৫০ গী ষ্টাম্প পেপরনা লুপা ১০০ দা য়োল্লি। অতৈ অনেম্বা দিনোমিনেসনগী ষ্টাম্প পেপরশিংসু অসুম্না মমল য়াম্না ৱাংখৎনা য়োল্লি। ফংবদা ৱাবা ষ্টাম্প পেপরশিংগী মমল ৱাংখিবা অসিনা উকিলশিংগী ফীসু ৱাংখৎখ্রে হায়রি।

অরুনাচল প্রদেশকী অরোমা মিসন চাওথোকখ্রে

ইটানগর, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী):

অরুনাচল প্রদেশতা লৈরিবা সী এস আই আর-নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা ইন্সটিট্যুট অসিগী অরোমা এন্দ ফ্লোরিকলচর মিসনগী থবক থৌরমশিং হেন্না পাকথোকহনখ্রে।

সী এস আই আর-এন ঈ আই এস টিগী দিরেক্টর ডা. জি নরাহরি সাস্ত্রিনা শগোলশেল নুমিত্তা অরুনাচল প্রদেশকী ইষ্ট সিয়াং দিষ্ট্রিক্টকী রুননেলদা অনীশুবা মল্টি-লোকেস্নেল এক্সপ্রিমেন্টেল রিছার্চ ফিল্ড শঙ্গাখি। বোসিং বাঙ্গো ফারমসল, কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ, পসিঘাট, অরুনাচল প্রদেশকা খুৎশম্নরগা অনীশুবা রিছার্চ ফিল্ড অদু লাংখিবনি। মনম অমদি হীদাক-লাংথক্কীদমক্তা থাবা পাম্বীশিং, ফ্লোলিকলচর অমসুং অতৈ মরু ওইবা পাম্বীশিংগা মরী লৈনবা টেক্নোলোজি শন্দোকপা অমসুং সাইন্টিফিক রিছার্চকী কোওপরেসন হেনগৎহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা সী এস আই আর-এন ঈ আই এস টি অমসুং বোসিং বাঙ্গো ফারমর্স কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ, পাসিঘাটকী মরক্তা এম ও য়ু অমসু খুৎয়েক পীনখ্রে।

সিনিয়র সিটিজনশিং, ফিভম তোঙাল্লবশিং, কোভিদ পোজিটিভ ওইরবশিংনা মাঙজৌননা ভোট থাদখ্রে

কোহিমা, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী):

লাক্লিবা নবেম্বর ৩ দা পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রবা নাগালেন্দগী কোহিমা দিষ্ট্রিক্টকী ১৪ সাউদর্ন অঙামি-১ (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী মরক্কী মীখলগা মরী লৈননা সিনিয়র সিটিজনশিং, হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবশিং অমসুং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওইশিংনা মাঙজৌননা ভোট থাদখ্রে। মীওই কাঙলুপশিং অসিবু ভোট থাদহনখিবা নুমিৎশিংদি য়ুমশকৈশা অমসুং শগোলশেলনি।

কোহিমাগী দেপ্যুটি কম্মিসনর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর মোহম্মদ অলি সিহাব এনা ফোঙদোকখিবদা, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই)না সেপ্তেম্বর ১৭ পীরকখিবা ইন্সত্রক্সনশিংগী মতুং ইন্না পোলিং টিমশিংনা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং লোয়নরগা পোষ্টেল বেলোটশিং পুরগা এপ্লিকেসন ফোর্ম ১২ দি দা পল্লিবা এদ্রেসশিংদা চত্তুনা ইলেক্টরশিংবু উনখি অমসুং মরক্কী মীখল অসিগা মরী লৈননা মখোয়বু নুমিৎ নিনি অসিদা ভোট থাদহনখি।

অতোপ্পা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সি-৬৩ পুংরো কিফিরে (এস টি) সীটকী মরক্কী মীখলসু নবেম্বর ৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মীখল নুমিত্তা কন্সটিট্যুয়ন্সি অনী অসিগী মনুংদা লৈরিবা গভর্নমেন্ট ওফিসশিং অমসুং দুকানশিং য়াওনা ইষ্টব্লিসমেন্ট পুম্নমক থোং লোনগনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা নাগালেন্দ গভর্নমেন্টনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি

ভোট থাদবা য়াহন্নবগীদমক্তা কন্সটিট্যুয়ন্সিশিং অসিগী মনুং চন্না লৈবা ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং কন্সটিট্যুন্সিশিং অসিগী মখাদা থবক তৌরিবা ইলেক্টর খুদিংমক্তা পেইদ হোলিদে পীরগনি হায়নসু ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লাউথোকখ্রে। অদুমওইনমক মশা য়াওদ্রবদি থবক্তা চাওনা অকায়বা লাকপা য়াবা ইলেক্টরশিংদদি পেইদ হোলিদে পীরোই হায়রি।

ওরাং নেসনল পার্কতা চঙবা য়াহল্লগনি

গুৱাহাতি, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী):

অসামগী দরাং দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ওরাং নেসনল পার্ক এন্দ টাইগর রিজার্ভ নবেম্বর ৬তগী অমুক হন্না হাংদোক্তুনা ভিজিটরশিং চঙবা য়াহল্লগনি। পার্ক অসি হান্নদি নবেম্বর ১ দগী হাংনবা লেপ্লম্বনি। ভিজিটরশিং চঙবা য়াবগী মতম ইনৌ নৌনা শেমদোক্লিবসি হন্দক্তা নোং লেপ্পুনা চুবদগী পার্ক মনুংগী লম্বীশিংগী ফিভম ফৎচিল্লকখিদবগীনি হয়না মঙ্গলদাই ৱাইল্ডলাইফ দিভিজনগী দি এফ ও বি ভি সন্দীপনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৮ গী রেকোর্দকী মতুং ইন্না মিনি কাজিরঙ্গা হায়নসু খঙনবা পার্কঅসিদা মচি অমখক পানবা শামুগন্দা ১০১ অমসুং রোয়েল বেঙ্গল টাইগর ২১ লৈ।

The Green Foundation
(Service Provider under MOVCD-NER: MOMA)
Kwakeithel Awang Thiyam Leikai, Imphal -795001

[illegible] / **NOTICE**
Imphal, the 29th Oct.'20

It is hereby to inform to all concerned that the last date of submission of application form for the *"1st State Level Chak-hao Competition: Manipur-2020"* has been extended till **15th November 2020** due to the prevailing situation of Covid–19. Interested farmers may submit the duly filled in application form to the undersigned till 15/11/2020, 5.00 pm. Further details may get from Phone no:-0385-3590854/ 7005029081 / 9089819307.
email: *gfimphal@gmail.com,*

Prizes
1st prize: ₹ 20,000/-
2nd prize: ₹ 10,000/-
3rd prize: ₹ 5,000/-
Consolation Prizes ₹ 1000/- each (7 nos)
all the participants will be provided One-year free farmer services including soil test plus Biofertilizers

Sd/- **U. Premjit**
Executive Director, # 7085054801

HL-P/7964/31

GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORATE
[illegible] / **NOTIFICATION**
Imphal, the 28th October, 2020

No. 104/4/2020-DHS : It is hereby notified to all the candidates who appeared the B.Sc. Nursing and Paramedical Courses. Entrance Examination 2020-21, that 1 (one) seat of B. Pharm (UR) & 3 (three) seats of D. Pharm (UR) courses are available at RIPSAT, Agartala due to non-reporting of the nominated candidates.

The willing and eligible candidates (who attended in the previous counselling) are informed to attend the counselling which is going to be held on 04.11.2020 (Wednesday) at 10.30 a.m. onwards at the State Medical Board Room, Medical Directorate, Lamphel for selection on merit basis and nomination to the above mentioned available seats. They should report to this Directorate for registration from 9.30 a.m. to 10.25 a.m. with all relevant original certificates, Admit Card (Entrance Examination) and 6 (six) recent passport photographs without fail on the day of counselling failing which they will not be considered later.

Sd/- **Dr. K. Rajo Singh**
Director of Health Services, Manipur

HL-P/7962/31

[illegible]
TRANSLATING
DRAFTING & EDITING
AT
WONDER WORD WEAVER

1. **Translating works in Manipuri into English.**
2. **Editing thesis for research scholars.**
3. **Editing project-works for students.**
4. **Editing articles for newspaper, magazines, press, etc.**
5. **Drafting applications or representations.**
6. **Editing applications or representations.**

***Authors, writers, journalists, reporters, research scholars and students can avail the above services at affordable prices.**

For details please contact :
WONDER WORD WEAVER
8974642764
Or write to :
wonderwordweaver@gmail.com
phoenixrhymeschool@gmail.com

HL-B/6436/9/10-6/11 (alt)

[illegible] / খ্বাঙ নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, নাকোং ঙংবা, ঙকশম মরী নাবা, শগল অনীমক চিকপা-নাবা, য়াঙলেন শরূদা চিকপা-নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, অমাংথোভদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, য়ারোমদা তোয়না-তোয়না খেগৎপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা নাকোং ঙংবা, নাকোং অনীমক কাং-কাং লাউরগা লৈবা, কোক লুম-লুম লাউরগা লৈবা, ঙকশম মরী নাবা, শগল অনীমক চিকপা, য়েৎকী শগল নাম্মা মরক-মরক্তা শিথরকপা অদুগা অমুক হেক ফখিবা, য়াঙলেন শরূদা চিকপা-নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎপা অমদি চাবা-থকপা য়াদবা, চাশিল্লগসু চাবা তুমদবা অমদি হকচাংদা মচি ওইদবা, খ্বাঙ নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা অমদি শ্বর হোনবা ৱাবা, শা-ঙা অমদি মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক নুংঙাইতবা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, য়ারোমদা তোয়না-তোয়না খেগৎপা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6463/31
থাগৎচরিবা : **K. Santa Singh,** Uripok



Opening on 2nd November 2020

[illegible] LIFE Plus

LIC
भारतीय जीवन बीमा निगम
LIFE INSURANCE CORPORATION OF INDIA

Authorised Premium Collection & Help Centre
Authorised Agents Recruitment Centre
Authorised New Business Centre

Balmiki Sahu
Seniour Business Associate
Dev. Officer

Kakhulong Main Gate
Masjid Road-795001
✆ 9863 336 108

HL-B/6493/31